ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুরী জগোয় মরুপকী ওদিটোরিয়মদা নুমিৎ মঙানি চথগদবা গুরু অমুবী নেশনল ক্লাসিকেল সোলো দান্স ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


থম্মোয় পাউদম : অরীবা মীনা অনৌবা মী ওইবা ... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ উমোরোক পাম্বীদা ড্রিপ ইরিগেশন
হীদাক শীজিন্নদনা নাপী করম্না লাকশিনগনি ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ অশেংবা অচুম্বা সেন্সসতা যূম্ফম ওইরগা ...
আই এন দি আই এ ব্লোককী পার্টিশিংগী অমত্তা ওইবা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ পি টি আর সী পাৎসোইনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ...


মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমদি স্কোলর প্রোফেসর এন তোম্বী লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম য়াওনা লূপ ৩ খূৎশম্নদুনা আগরটলাগী খা ধালেশ্বরদা অৱাবা ফোঙদোকখিবা




Vol. 49, Issue No. 001 | নিংথৌকাবা, লমতাগী ২৪/২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, March 24, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## মফম খঙড্রিবা মুকেশ : গভর্ণরনা করিমত্তা হায়রক্তে মীয়ামগী লূপশিংগা মীফম পাঙথোক্লগনি : জে এ সী

### ‘জে এ সীগী মীহুৎশিংনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট উনরুবদা লংলা লংজিন অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি হায়রকখি’



**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** য়াওশঙ হুম্নি চনবা নুমিৎ থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদগী ময়ূমদগী মারুটি অলটো-৮০০ (অঙাংবা মচু) এম এন-০৫/জে-০০১৮ থৌরগা থোকখিবদগী ঙসি নুমিৎ ৭নি শুরক্লবা ফাওবদা মরী-মখোঙ খঙবা ঙমদ্রিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী লুৱাংথেম মুকেশ (২০) গী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা গভর্ণরগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তে অদুবু ঙসি অহিং পুং ১২ ফাওবগী মনুংদা ঈ-পাউ পীরক্তবদি সী এস ও অমদি লূপশিং য়াওরগা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা মফম খঙড্রিবা এল মুকেশপু থিবীদুনা তেক্ত-কায়দনা শিন্নবীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ খোঙজ ংশিং চঙশিল্লকখিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জে এ সীগী কনভিনর শমুরাইলাৎপম সুকদেবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা লাক্লিবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস তরুক্তসু অঙাং অসিগী মতাংদা জে এ সীনা মেমোরেন দম পীশিনখ্রে। লোয়ননা জে এ সীগী মীহুৎশিংনা চৎতুনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট উনরুরে অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা মুকেশকী থোইদোকপা লংলা-লংজিন অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি হায়রক্লে হায়খি।

জে এ সীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চহী ১২ মপূং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## চাওখৎপা ইন্দিয়াগী খোঙজেলদা শরুক য়ানবা মণিপুরদা অথুবা মতমদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহনগদবনি : য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর মেঘৱাল

### গভর্ণর এ কে ভল্লানা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা জুদিশল সিষ্টমগী পুৱারী নৌহৌনা নীংশিংদুনা শীংথাখ্রে





য়ুনিয়ন লো এন্দ জষ্টিসকী ষ্টেট মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘৱালনা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লীংখৎখিবা চহী ১২ মপূং ফারকপগী থৌরম ঙসি গভর্ণর এ কে ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙা অমসুং য়ুনিয়ন লো এন্দ জষ্টিস অমদি পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রসকী ষ্টেট মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘৱালনা শরুক য়াদুনা হায় কোর্ট অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা জুদিশল সিষ্টমগী পুৱারী নীংশিংলদুনা ষ্টেট অসিদা কুচ অমদি পাচা ৱায়েলশঙ হায়না মমাঙঙৈদা লৈরমখি। নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈ মতমদসু মণিপুর ষ্টেট দরবারনা সিভিল অমদি ক্রিমিনেল কেস কয়াগী ৱায়েল চথবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ঙসিদি মণিপুরগী হায় কোর্ট অসি চহী ১২ মপূং ফারে হায়রদুনা লৈবাক অসিদা জুলাই ১, ২০২৪দগী চৎনবা হৌরক্লিবা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়খি।

লো অহুম অসিদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা কেস চথবগী অয়াবা পীরবসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদদি ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা চৎনদুনা লৈরি। মসিনা মণিপুর অসি মোদেল অমা ওইনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী লম্দদি অতৈ ষ্টেটশিংনা তম্বা য়াগনি হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অশি লমদম ‘কাংপোকপী’ লানশিনখিবদগী শরূ ফাওবা ফংখিদ্রবা অঙাং ২গী মহুৎ পাঙ্গোংনা শিল্লগা লৈরোন চনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দারকখিবদগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তা থোরকখিবা লান মনুংদা নবেম্বর ৫, ২০২৩দা সেকমাই লাম্থোক্লগা অশি লমদম ‘কাংপোকপী’



এন্থোনি নিংথৌজম



অভিনাস মাইবম



অভিনাসকী অপোকপা



এন্থোনিগী অপোকপী

লানশিনখিবদগী ঙসি চহী অমগা থা মরিরোম শুরক্লবা ফাওবদা লংলা-লংজিন অমত্তা ফংবা ঙল্লক্ত্রিবা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা অখাম অৱাং লৈকায়দগী চহী নৌরিবা নিংথৌজম এন্থোনি, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন সুন্দর অমসুং মাইবম অভিনাস, অপোকপা এম হেমন্তগী হকচাংশিংগী মহুৎ পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগা ঙসি লৈকায় অসিগী লম্পাক্তা লৈরোন চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা অঙাং অনীগী অরোইবা মথৌ মঙমগা মরী লৈননা মখোয় অনীবু লৈঙাক্না ফংননবা থিবা ঙমখিদবগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সী এগেনষ্ট দি মিসিং ওফ মাইবম অভিনাস অমদি নিংথৌজম এন্থোনিগী সিনিয়র মেম্বর চুংথাম বসন্তনা হায়, নবেম্বর ৫, ২০২৩দগী মহৈরোয় অনী অসি সেকমাই লাম্থোক্লগা শোয়দুনা লানশিনখিবদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙলক্ত্রিবনি। মখোয় অনীবু থিবীনবা লৈঙাক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ফেব্রুৱারী ৯গী মমাঙদা লৈরম্বা বি জে পি লৈঙাক্না কন্সটিটুশন ঙাক্লমদবদগী মীয়াম্না ৱারিবনি : ও ইবোবী

### হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা কন্সটিটুশন কন্নবা মীয়ামগী খোঙচৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৯গী মমাঙদা লৈরম্বা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না ইন্দিয়ন কন্সটিটুশননা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎলমদবনা মরম ওইরগা ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না অৱাবা নংলিবনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রগী য়ূমদা পাঙথোকপা সম্বিধান বচাও রাষ্ট্রিয় পদযাত্র সম্বিধান (কন্সটিটুশন কন্ননবা মীয়ামগী খোঙচৎ) থৌরমগা মরী লৈননা ওক্রম ইবোবীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, গুজরাটতা থোকখিবা য়াম্না তমথীবা গোদারা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা সেন্টরনা লৈঙাক্লোনগী থবকশিং পায়খৎলে : আর এস এস

**বেঙ্গলুরু, মার্চ ২৩ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহল্লক্ত বগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী থবকশিং পায়খৎলে মসিনা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা ঈং-তপ্পা পুরক্লগনি হায়না রাষ্ট্রিয় সয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী জেনরেল সেক্রেটরি দত্তত্রেয়া হোসাবালেনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি আর এস এসকী লুচিংবা অসিনা ঙসি বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা অখিল ভারতিয়া প্রতিনিধি সভা (এ বি পি এস) গী মীফমগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লে, মণিপুর লৈঙাক সস্পেন্দ তৌরে অমসুং হায়ৱেশিং হাংদোকপা য়াওনা খূৎলায় পায়বশিংবু খূৎলায় থাদোকহন্নবগী ওইবা লৈঙাক্কী থৌরাংশিং পায়খৎলে। আর এস এসকী মায়কৈদগীসু অকক্নবা থবকশিং পায়খৎহন্নবা দিমান্দ তৌবগী হক লৈ অমসুং সঙ্ঘ অসিগী মায়কৈদগী মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি কোকহন্নবগী অকনবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক আর এস এস অসিগী মায়কৈদগী করি-করম্বা থবকশিং অকক্না পায়খৎকদগে হায়বদুদি ফোঙদোকপা লৈতে হায়রদুনা শুপ্নতগী মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা সজেশন পীবা ঙাক্তনি হায়খি।

### য়ু জি ৪ ফারে, এল এম জি য়াওনা খূৎশু খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৈঙাং পি এসনা কোনবা মন্ত্রিপূখ্রি কৈথেলগী কালিমাই মন্দির মনাক্তগী প্রিপাক (প্রো) কী মেম্বর এম দি টাজখান এলিয়জ রোমেন (৩৭) মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অদুগা কুম্বী তেরাখোংদগীনা পার্টি অসিগী কাদর ওইনাম অবুং মৈতৈ (৩১), য়ূম্লেম্বম রোমেস এলিয়জ রতন (৪৭), আর কে নেভি মৈতৈ (৩২) ফারে । মখোয় অহুমদগী পোইন্ট ৩০৩গী এল এম জি অমা, মেগজিন অনী, মরূ ১৬, এস এল আরগী মরূ অহুম, ইন্সাসকী মরূ অমা, এ কে মরূ অমা, লাইফ বাল্লিষ্টর কাত্রিজ ২৪, হেন্দ গ্রেনেদ কি অমা, গ্রেনেদ আর্ম রিং অহুম, পোইন্ট ৩০৩গী এম্পটি কেস অহুম, ফোর হ্বিলর ১, মোবাইল ফোন অনী সিজ তৌরে হায়রি।

### কোংপাল থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই ২ ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙরাং কোংপালগী মফম ১দা অরাম্বাই তেঙ্গোল অমসুং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ অনীগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী ক্ষেত্রিময়ূম নিখিল (২৮) অপোকপা প্রকাশ, শজিৱা জেল, মোইরাংকম্পু শাজেব অৱাং লৈকায়দগী য়ূম্নাম প্রিঙানবা (২৩) অপোকপা রোমেস ফারে হায়না মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অতৈ মীওইশিংসু ফাননবা হ্যেদ চথুরি হায়রি।





## চহী চূপ্পা ঈশিং লেপ্তুনা চেনবা তুরেলদি বরাক তুরেল খক্তা ঙাইশিল্লক্লে : ডা. ব্রজকুমার

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী মহৌশাগী শক্তমদা অহোংবা কয়া লাকপনা ষ্টেট অসিদা তুরেল মরাং কায়না লৈরবসু চহী চূপ্পা ঈশিং লেপ্তুনা চেনবা তুরেলদি বরাক তুরেল খক্তা ঙাইশিল্লক্লে হায়না লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমারনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ককচীং খুমনগী লৌয়াই লম্বী পার্কতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱাটর দে অমদি চহী অমা চূপ্পা চথুগদবা ককচীং ঈথৈ মেন কেনেলগী রিজুবিনেশন কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## থৌবাল তুরেলগী ঈশিং মীপাইনীঙাই ওইরে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** থৌবাল তুরেলগী ঈশিং অসি নেফেলোমেত্রিক টর্বিদিটি য়ুনিট (এন টি য়ু) ১০গী মখাদা চেনগদবদা হৌজিক এন টি য়ু ৯০০গী মথক্তা চেনবনা মীপাইনীঙাই ওইরক্লে হায়না তুরেল অসিগী ঈশিং কনবীনবা অমসুং লৈঙোই পেকপগী মাফিয়া মূথুৎপীনবা গভর্ণরদা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

পিপল ফোর এনিমেলস (থৌবাল ৱাংমা তাবা) গী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বজিৎ মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা অইবা ৱাকৎ অদু ঙরাং গভর্ণরদা পীশিনখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল অসিগী মতাংদা মেনেজিং ত্রষ্টিনা ফোঙদোরকখিবদা থৌবাল তুরেল কন্নবগীদমক কুমজা ২০১৯দগী মীয়াম্না হোৎনরক্লবসু মায় পাক্ত্রি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কুমজা ২০১৯দা পি আই এল অমা লৌখৎপীদুনা থৌবাল তুরেল খক্তা নত্তনা মণিপুরগী তুরেলশিংদগী লোগী ৱাংমদা নূঙ-লৈঙোই পেকপদা অথিংবা থমখ্রবনি। অদুবু অথিংবা অসি লৈনা লৈনা ঙসি ফাওবদা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং লুহনবা ঙমদ্রি। তুরেল অসিদা লোগী ৱাংমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## অম্বানা দিমান্দ ৩ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি পাঙথোকখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারখিবা য়ুনিয়ন লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর এ আর মেঘৱালগী খূথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা দিমান্দ অহুম য়াওবা মেমোরেন্দম অমা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম অসিনা থবক্তা ওন্থোকপীনবা তকশিনখিবশিংদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিংগী মশীং অসি তরেৎতা হেনগৎহনবীয়ু, ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংবু লোনা য়াবা মওংদা প্রোটেক্সন পীনবগীদমক ওর্দিনান্স অমা লাউথোকপীয়ু অমসুং নেশনল হায়ৱে-২ অমসুং ৩৭তা ফ্রী মুভমেন্ট তৌবদা অয়েৎ-অপন মায়োক্লহনবীগনু হায়জখি হায়রি।

হায়ৱে অনীসিদা মতম কক্তবা ব্লোকেদ চথরকপনা অনা-লায়েংগী হীদাক-লাংথকশিং য়াওনা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবদা খুরৌ থাংহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

### এক্সিদেন্টদা ১ শিরে

**ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা এন ঐচ-১০২ পরিংগী পল্লেল পি এসনা কোনবা নুঙৌরোক অমদি কান্নরম খুল অনীগী মরক্তা লৈবা লম্বী মপালদা খাম্বা শীং থন্না হাপ্পা ৪০৭ মিনি ত্রক অমগী মনীংদা বজাজ পলসর থৌদুনা লাক্লগা থোমজিনবদা শঙ্গাইয়ূম্ফম পুলৈপোকপী মাইরেল খুলদগী এম দি অজিমউদ্দিন (৫২) অপোকপা মহৈরউদ্দিন কৌবা মীওই অমা থৌদোক থোকফমদা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ককচীং পি এসনা কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবগীদমক জেনিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা চহী ২ শুজিল্লক্লবা ঐখোয়না কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী লৈঙাক অনীমক্তা ৱারৌই : শান্তি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**চূড়াচান্দপুরগী ন্যু বজারদগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী চথুরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংনা ময়ূম-মকৈ অমদি মরল-মথুম উৎকী মপৈ ওইনা তুমহনবীবদা নত্তনা থৱায় ফাওবা মাঙহন্নবা হোৎনরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগী অনীংবা-অপাম্বা অমসুং মখোয়গী পূক্নিং-ৱাখলদা লৈবা ৱাফমশিং খোমজিন্দুনা পাউচে অসিনা কলমসিদা মথং-মথং উনদুনা ফোঙলকপগী মখা তারকপদা চূড়াচান্দপুরগী ন্যু বজারদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী



কোলেজদা হাংবা ‘রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশন’ দা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৫০

‘কোংগ্রেস লৈঙাক্না তৌরম্বা অফবা কয়া অমা লৈ অদুবু চূড়াচান্দপুরদা ইফূৎকুম্না ফাওগৎলকখিবা লুংগি শেৎপা চীংমীশিংদি য়েংশিল্লমদে, লান হৌরকপা নুমিৎতুদা বি জে পি লৈঙাক্না নীংথিনা ঙাকপী-শেনবীদবদগী ইয়ূম-ইকৈ তুমখিবনি’

রোম শুরবী অদুগা মপুরোইবসু লৈখিদ্রবী দল্লিয়ু শান্তিনা পাউচে ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ‘লাই হরাওবা’বু ফৈজৈ চিংথোক্কে তৌরম্বা মীওইশিং ৱাখল তামিন্নখ্রে









**ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈশিংনা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমদগী হৌনা পাঙথোরক্লিবা ‘লাই হরাওবা’ বু থৌরম অসিগা মরী লৈনদবা উনা-ৱানা অমদি মরিং-মরাংবা ফিজোলশিং শেৎচিল্লগা শরুক য়াদুনা থৌরম অসিবু ফৈজৈ চিংথোক্লবা হোৎনরম্বা মীওইশিং উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না ৱাখল তামিন্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি উকলনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম মনিতোননা হায়, লাই হরাওদবা কুইরে, তৌহৈদে হায়দুনা হরাওবগী থৌরমশিং হৌনরকপদা মথোং হুক্তবা থৌওংশিং চথুরকপনা মীতৈ খুন্নাই অমদি লৈবাক অসিবু মাঙনবগী মশক ওইরে। মরম অসিনা অসিগুম্বা লাই হরাওববু ফৈজৈ চিংথোক্লবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২